# জে এন কে বেঙ্কতগী লুপা লাক্ষ ৩ লাকখ্রে

*শ্রীনগর, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

ঙসি কাশ্মীরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা জম্মু অমসুং কাশ্মীর বেঙ্কতগী খুৎলায় পায়বশিংনা লুপা লাক্ষ ৩ লাকখ্রে। খুৎলায় পায়বশিং অদুনা জে এন কে বেঙ্ক অদুদা চংশিল্লক্তুনা গন পোইন্টতা শেলশিং অদু মুনখি।

হুরানবশিং অদু ফাননবগীদমক অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

নোংমৈ পায়বা মীওই ৪না বেঙ্ক অুদুদা চংশিল্লক্তুনা শেলশিং অদু নমদুনা মুল্লবা মতুং চেনখিদ্রিঙৈ মাংওইননা নোংমৈ রাউন্দ কয়াসু কাপ্লমখি হায়রি।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর থাদা পুলৱামাগী রটনিপোরাদা লৈবা জে এন কে বেঙ্কতগী খুৎলায় পায়বশিংনা লুপা লাক্ষ ১১ লাকখিবসু লৈখ্রে।

নভেম্বর থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা দিমোনিটাইজেসন থৌশিল চথখিবা মতুং বেঙ্ক লুৎ তৌবগী থৌওং কয়া জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা চথরক্লি হায়রি।

# খুদোংথিবা থৌদোক্তা মীওই ৬ শীরে

*কটিহার, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

বিহারগী কটিহার দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা ইমুং অমগী মীওই ৬ শীরে। অদুগা ৪না অশোক অপন নংখ্রে।

ইমুং অদুগী মীওইশিং অদু ঝরখন্দগী দিওগরগী মনুং চনবা বাইদিয়ানাথ ধামদগী ওটোরিক্সো অমদা ময়ুমদা হল্লকখিবনি।

ইমুং অমগী মীওইশিং পুদুনা লাকপা য়াংনা থৌরকপা ওটোরিক্সো অদুনা ঙসি অয়ুক পুং ৩ লোম তাবদা লাইশঙ অমগী ৱালদা থোমজিন্দুনা মথক মখা ওনখি হায়না কুরসৈলা পুলিস ষ্টেসনগী ও সি ইন চার্জ বিনোট কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই ৬কী মনুংদা চহী ৪ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমা য়াওখি। অঙাং অদুগী মমা মপাসু মফম অদুমক্তদা শীখি। শোক্লবা মীওই ৪ অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি।

ওটোরিক্সো অদুগী ড্রাইভর অদুদি খুদোংথিবা থোক্লমদাইদা চোংথহৌবদগী খুদোংথিবা নংখিদ্রে। মীওইশিং অদু রুপালি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা গ্বালপরাদা লৈবনি। মীওইশিং অদুদি সঞ্জয় সিংহ (৩৭), মহাক্কী লোইনবী রিনা দেবী (৩৩), অনিকেট (৪), কনচন দেবী (৩২), পদমা দেবী (৫২) অমসুং নিরজ কুমার (১৮) নি হায়রি।

# কানুরদগী ষ্টিল বোম ৩ ফংলে



*কানুর, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

বোম স্কৱাদ অমসুং থালাসেরি পুলিসনা ঙসি শক্তি লৈরবা ষ্টিল বোম অমসুং সোর্দ (থাংশাং) কানুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইলাথু থাজেদগী ফংবা ঙমখি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না বোম স্কৱাদ অমসুং পুলিসনা মানোলিকাভু হায়না খঙনবা ইলাথু থাজেদা কম্বোইন ফোর্সনা রেইদ চথবদা বোম অমসুং সোর্দ (থাংশাং)শিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। মীওই খরনা মানোলিকাবু লাইশঙগী শরুক অমা ওইরিবা নালা অমগা থংনবা মফমদা বোম অমসুং থাংশাংশিং অদু লোৎশিন্দুনা থম্লম্বনি।

মানোলিকাবুদা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা হরাও কুম্মৈগী থৌরম ফেব্রুৱারি ১৮দগী হৌগদৌরিবনি। কুম্মৈ অদু লাকপগা লোয়ননা পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

অন্দালুর অমসুং মনোলিকাবুনচিংবা মফমদা পাঙথোক্কদৌরিবা কুম্মৈ অদুগী মতাংদা পুলিসনা ওল পার্টিগী মীফম পাঙথোকখ্রে। রাজনিতিগী লুচিংবশিংসু ঙসিগী মীফম অদুদা শরুক য়াখি। পুলিসনা হায়, থালাসেরিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মথংগী নুমিৎ কয়াদসু মখা তানা রেইদ চথখিবনি হায়রি।

# সশিকালাগা নক্লবা পলানিস্বামী টমিলনাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে




*চেন্নাই, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

ভি কে সশিকালাগী খ্বাইদগী থাজবা ইদাপাদি কে পলানিস্বামী ঙসি টমিলনাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। নুমিৎ কয়ানি ষ্টেট অদুগী তন্বা ঙমদবা রাজনিতিগী চরাংনবা লৈরক্লবা মতুং ঙসি অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ৱাশক লৌখিবা অদুনা ৱাথোক অদু লোইশিনখ্রে। অদুগা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর পানিরসেলভমনা এ আই এ দি এম কেগী মায়োক্তা লৈহৌরে।

পলানিস্বামী হৌখিবা থা ৯গী মতুংদা অহুমশুবা ওইনা ষ্টেট অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম অদু পায়বা মীশক অমা ওইরে। গভর্নর সি বিদ্যাসগর রাওনা ঙসি চহী ৬৩ শুরবা পলানিস্বামী অমসুং কেবিনেট মেম্বর ৩১ ৱাশক লৌখি।

রাজভাবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা গভর্নরনা চীফ মিনিষ্টর অমসুং কেবিনেট মিনিষ্টরশিং অদু ৱাশক লৌখি। জয়াললিথা লৈখিদ্রবা মতুং ষ্টেট অদুদা রাজনিতিগী চরাংনবা লৈরক্লবা মতুং চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবা অহুমশুবা মীওইনি।

জে জয়াললিথা ইং ২০১৬কী মে থাদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লী মীখলদা চাওনা মায় পাক্তুনা চীফ মিনিষ্টর ওইরকখি। মহাক্কী হকচাংগী ফিভম ফল্লক্তবগা লোয়ননা নুমিৎ ৭৪ ফম অদু পায়রমখি।

দিসেম্বর ৫দা লুচিংবী অদু লৈখিদ্রবা মতুং পানিরসেলভমনা জয়াললিথাগী মহুৎ শীন্দুনা চীফ মিনিষ্টর ওইরকখি। জয়াললিথানা শেঞ্জা-থুমজাগী মতাংদা জেলদা লৈখিবা মতম অদুদসু পানিরসেলভমনা ষ্টেট অদুদা চীফ মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুখি।

এ আই এ দি এম কেগী জেনরেল সেক্রেটরিনা সশিকালাবু ষ্টেট অদুগী লুচিংবী ওইননবা পুখৎলকখিবা মতুং পানিরসেলভম ফম তাখি। ফেব্রুৱারি ৫দা লেজিসলেটর পার্টিগী লুচিংবশিংনা সশিকালাবু চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখি।

মদুগী মতুং নুমিৎ নিনিশুবদা সশিকালাগী মথক্তা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখি। মহাক্না অমুক হন্না টমিলনাদুগী মীয়াম্না য়ারবদি চীফ মিনিষ্টর ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মদুনা মরম ওইরগা টমিলনাদুদা রাজনিতিগী চরাংনবা কয়া থোক্লি। পানিরসেলভমগী মতুংদা সশিকালানা গভর্নর চৎলিবা থা অসিগী ৯দা উন্নদুনা ষ্টেট অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম অদু পায়গনি হায়না খঙহনখি।

মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোরকপা লৈবগা লোয়ননা রাজনিতিগী থৌরি চীংনবা মরক্তা এ আই এ দি এম কেগী মায়োক্তা মীওই কয়াসু লাকখি। চৈরক অদুদা সুপ্রিম কোর্টনা চৎলিবা থা অসিগী ১৪দা শেম্বোক্কা চান্নদনা লন-থুম লেপশিনবগী মরালদা সশিকালা অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওই অনী মরাল লৈরে হায়না ফাদোক তানবা ৱায়েৎ পীরকখি।

সশিকালা জেল চংখ্রবা মতুং মহাক্কা খ্বাইদগী নক্লবা পলানিস্বামীবু ষ্টেট অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম অদু পায়ননবা খুদোম্বী থিল্লমখি। লোয়ননা এ আই এ দি এম কে লেজিসলেটর পার্টিগী লুচিংবশিংনা পলানিস্বামীবু লুচিংবা ওইনা খনবগা লোয়ননা ঙসি চীফ মিনিষ্টর ওইবগী ৱাশক লৌখিবনি হায়রি।

# ওফিসিয়েল ৱেব সাইটগী পি এম, মিনিষ্টরশিংগী ফোটো লৌথোক্লবা ই সিনা খঙহনখ্রে




*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

ওফিসিয়েল ৱেব সাইটতগী প্রাইম মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিংগী ফোটোশিং লৌথোক্লবা ইলেক্সন কম্মিসননা সেন্টরদা খঙহনখ্রে। রাজনিতিগী লুচিংবশিংগী শক্তম ওফিসিয়েল ৱেব সাইটতা য়াওবা হায়বদু মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ওফিসিয়েল ৱেব সাইটশিংনা হৌজিক ফাওবা রাজনিতিৱালাশিংগী শক্তঃমশিং লৌথোক্ত্রি বা করিগীনো মদুগী মরম পীরক্লবা কেবিনেট সেক্রেটরি পি কে সিনহদা খঙহনখ্রে হায়রি।

তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ৫ পঞ্জাব, উট্টরখন্দ, গোৱা, উট্টরপ্রদেশ অমসুং মণিপুরদা কোদ ওফ কন্দক্ট জনুৱারি ৪দগী চৎননবা লাউথোকখিবা লৈখ্রে। হৌজিক মীখল পাঙথোক্কদবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা পঞ্জাব উট্টরখন্দ অমসুং গোৱা লোয়ননা উট্টরপ্রদেশকী অনীশুবা ফেজগী মীখল পাঙথোকপা লোইখ্রে। মণিপুরগীওইনা অহানবা ফেজগী মীখল মার্চ ৪দা পাঙথোক্লবা শেম শারি।

ফিভম অদু য়েংলগা ইলেক্সন কম্মিসননা অইবা চেরোল পীদুনা ওফিসিয়েল ৱেব সাইটশিংদগী মিনিষ্টর অমসুং রাজনিতি লুচিংবশিংগী ফোটো লৌথোক্লবা জনুৱারি থাদা খঙহনখিবা লৈখি।

অদুম ওইনমক সেন্টরনা ৱাফম অদু থৌশাদনা লৈবগা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনানচিংবা স্কিম কয়াদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হাউসিং মিনিষ্টর এম ভেঙ্কয়ানাইদুগী ফোটোশিং য়াওহন্দুনা লৈরি।

পোল পেনেল অদুনা ওফিসিয়েল ওইবা ৱেব সাইটশিংদা মিনিষ্টর অমসুং রাজনিতিৱালাশিংগী ফোটো হাপ্তনবা মাংজেনৈনা খঙহনখিবা লৈখ্রে। মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা মফমশিংদা পোলিটিকেল পার্টিগী খেৎনবা অমসুং মীচং মীখাই নাইদবা মীখল অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা ইলেক্সন কম্মিসননা অকনবা থবক পায়খৎখি।

মমাঙ চহীদা লৈঙাক্কী হোর্দিংশিংদা মিনিষ্টরশিংগী ফোটো য়াওহল্লম্বশিং লৌথোকখিবা লৈখ্রে। ইং ২০০৪দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা মতম অদুগী এন দি এ লৈঙাক্তা মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারি বাইপাইগী শক্তমশিং নেসনেল হায়ৱেশিংগী মপানদা থেৎপদা য়েংশিন্নবা খঙহনখি।

চহী ৮গী মতুং উট্টরপ্রদেশতা ময়াৱতি লৈঙাক্না মপাঙ্গল কনখৎলকপা মতমদা শীজিন্নখিবা হোর্দিংশিং লৌথোক্লবা খঙহনখিবসু লৈখি। চপ মান্নবা ৱায়েলশিং সাইবর স্পেসকী লমদা শীজিন্নদুনা ওফিসিয়েল ওইবা লৈঙাক্কী ৱেব সাইটশিংদা রাজনিতিৱালশিংগী শক্তম য়াওহন্দনবা খঙহনখিবনি হায়রি।

# ইন্দো-বঙ্গলাদেশ ঙমখৈদগী লুপা ২০০০ চৎপী জালিনোট ফাগৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

ইন্দিয়া-বঙ্গলাদেশ ঙমখৈ পরিংদা লৈবা ৱেষ্ট বেঙ্গল মালদা দিষ্ট্রিক্টতগী ঙরাং বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সনা লুপা ২০০০ চৎপীগী অফবা মখলগী জালি নোটশিং বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)না ফাগৎখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ নিনিগী মনুংদা অফবা মখলগী জালিনোটশিং ফাগৎপা ঙরাংগী থৌদোক অদুনা অনীশুবনি। নভেম্বর থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাংবা শেনয়েক ১০০০ অমসুং ৫০০ চৎপী থিংজিনখ্রবা মতুং ২০০০ অমসুং অনৌবা ৫০০ চৎপী শেনয়েকশিং চৎনরকখি।

ঙরাং নেসনেল ইনভেষ্টিকেসন এজেন্সিনা মালদাগী কৈথেল অমদগী চহী ২১ রোম শুরবা উমর ফরুক কৌবা মীওই অমা জালিনোট খুৎশিনৈ হায়বগী মরালদা ফাগৎখ্রে।

মীওই অদু ফাগৎখ্রবা মতুং বি এস এফনা জালি নোট কয়া পীথোক পীশিন তৌরম্বা য়াই হায়বগী চীংনবা লৈখি। য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক্তা বি এস এফনা ইন্দো-বঙ্গলাদেশ ঙমখৈ পরিংদা লৈবা মালদা দিষ্ট্রিক্টকী হৈনৌ থাবা ফার্ম অমগী মনাক্তা আইন কাইনা মীওই খরা চখোক চৎশিন তৌদুনা লৈরে হায়বা খঙবা ঙমখি।

বি এস এফনা মখা তানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা লুপা ১০০ অমসুং ২০০০ চৎপীগী অফবা জালি নোটশিং পোলিথিন খাও অমদা হাপ্তুনা থম্লম্বদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি। লমদম অদুদা অফবা মখলগী জালি নোট ফাগৎপা হন্দক্কী অসিনা দিমোনিটাইজেসন মতুংদা থোকপা অনীশুবা থৌদোক্লি হায়রি।

# মালেমগী ওইনা পাকিস্তান খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা লৈবাকনি

*ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

পাকিস্তান মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা লৈবাক্লি হায়না অমেরিকাগী ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিকেসন এজেন্সিগী হান্নগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।




ন্যুক্লিয়রগী লমদা খুৎমাং চাওশিনবা লৈবাক অমা ওইরবসু লৈবাক অদুগী শেল-থুমগী ফিভম কা হেন্না শোকচিনবা অমসুং টেরোরিজমগী শাফবা মফম অমা ওইরকপা অসিনা মালেমগী ওইনা পাকিস্তান খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা লৈবাক অমা ওইরি।

ইস্লামবাদতা সি আই এগী লুচিংবা ওইনা লৈরম্বা কেভিন হলবার্দনা হায়, পাকিস্তানগী লম কয়াদা ফেল ওইরকপা ফিভম অদুনা মালেমদা খুদোংচাদবা থোকহল্লকপা য়াই। পাকিস্তানগী ওইনা হিরম খুদিংমক ফেল ওইরে। লোয়ননা ফেল ওইরবশিংগী মফম অমা ওইরে।

হেন্না চুন্নবা ৱাফম হায়রগদি লৈবাক অদুদা শেল-থুমগী শাথিবা ফিভম অমা মায়োক্লরি। অফগানিস্তানগী ওইনসু খুদোংথিবা থেংনরি। অফগানিস্তানগী মীওই মিল্লিয়ন ৩৩ অৱাবা মায়োক্লরি। নাকল অমরোমদা পাকিস্তানদা মীওই মিল্লিয়ন ১৮২ লৈরি।

অফগানিস্তানগা য়েংনরুরবদি পাকিস্তানদা মীওই মশিং শরুক ৫ হেন্না লৈরি। লৈবাক অদুদা শেল-থুমগী ফিভম শোকচিল্লকপনা মরম ওইরগা টেরোরিজমগী থৌশিল কয়া হেনগৎলক্লি। পাকিস্তান মালেমগী ওইনা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ৬শুবা লৈবাক ওইরিবনি।

লৈবাক অদুদা অঙাং পোকপগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলি। ওইরিবা ফিভম অসি খুদোংথিনিংঙাইনি হায়না হলবার্দনা ফোঙদোরক্লি।

পাকিস্তান মালেমগী ওইনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা লৈবাক অমা ওইরকপা য়াই। য়ু এস অমসুং ইন্টর্নেসনেল মোনিটরি ফন্দনা পাকিস্তানদা দোল্লর বিল্লিয়ন কয়াগী শেন্থং পীরি। লৈবাক অদুদা শাফবা ফিভম অমা ওইরক্লবা অমসুং হৈনবী অফবা লিচৎ লাক্লনবা শেল থাদখিবনি। য়ু এসকী প্রসিদেন্টনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মঙলাক্লবগী ফিভমদা লৈরে হায়খি।

# সিরিয়াদা বোম থাদরকপদা মীচম ২৫ শীখ্রে



*সানা, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈবা সিরিয়াগী মফমশিংদা টর্কিনা বোম থাদবদা য়ামদ্রবদা মীচম ২৪ শীখ্রে হায়না মোনিটরনা ফোঙদোরক্লি।

সিরিয়ান ওবজাবেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোরকখিবদা অল-অবাবতা এয়ারষ্ট্রাইক চথরকপা অমসুং সেল কাপশিল্লকপদা অঙাং ১১ য়াওনা মীওই ২৪ শীখ্রে।

টর্কি লান্মীনা ষ্টেটনা চল্লাইবা অনাদোলু ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা টর্কি আর্মিনা চথখিবা এয়ারষ্ট্রাইক অমসুং আর্টিলরি এটেক্টতা টেরোরিষ্ট ১৫ হাৎখ্রে হায়রি।

অল অবাব হায়রিবা মফম অদু অৱাং থংবা সিরিয়াগী এলেপ্পোদা লৈবা আই এসনা খুৎলিংবা মফম অমনি। হায়রিবা মফম অদুদা টর্কি ফোর্স অমসুং এলাইদ সিরিয়ান রিবেলশিংনা হৌখিবা থা খরগী মমাঙদগী অকনবা এটেক্ট চথদুনা লাকখি।

অপুনবা খুৎপুনা চয়োল অমগী মমাঙদা অল সবাবতা চংশিল্লকখি। টর্কিগী প্রাইম মিনিষ্টর বিনালি য়িলদিরিমনা হায়, সহর অদু খুদুম চনবা ঙম্লে। নাকল অমরোমদা ওবজাবেটরিনা ফোঙদোরকখিবদা সহর অদুদা টর্কি ফোর্সনা মফম খরাতমক খুদুম চনবা ঙম্লি।

ওগষ্ট থাদগী হৌনা আই এস অমসুং কর্দিষ্ট ফাইটরশিংগী মথক্তা টর্কি মিলিটরিনা অকনবা খোঙজং চংশিনবা হৌখি। হায়রিবা সহর অদু সিরিয়া লৈঙাক্লসু অকনবা মওংদা টার্গেট তৌরিবা মফমনি।

খা রোম থংবা শরুক্তগী সহর অদু তম্না লৈঙাক্কী লান্মীশিংসু চংশিল্লক্লি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা আই এসনা খুদুম চনবা অল সবাবকী মফমশিং মরু ওইনা মতাই থংবা শরুকশিংদা অকনবা এটেক্ট চথদুনা খুদুম চনবা ঙমখ্রবনি।

সিরিয়াদা ইং ২০১১দগী হৌরকখিবা লাল অদুনা মরম ওইরগা মীওই ৩১০,০০০ শীখ্রে। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা লৈঙাক্কী মায়োক্তা খোঙজং চংশিল্লকপা মীওই কয়া য়াওখি। লৈবাক অদুদা থোক্লিবা লাল অদুনা মরম ওইরগা লৈরিবা মীয়ামগী শরুক তঙ্খাই অমদি ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেনখ্রে। অদুগা মীওই লাক্ষ ৩ হেনবনা শীহনখ্রে হায়রি।

# ইরানননা কৈদৌনুংদা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই শাবা য়ারোই ঃ দোনাল্ড ত্রম্প

*ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

ইরানগা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল কায়খ্রবা মতুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা লৈবাক অদুদা লাকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহুদা হায়, টেহরাননা কৈদৌনুংদসু ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শাবা ঙম্লোই।

ইজরেলনসু ইরানগী ন্যুক্লিয়র থৌশিলগী মায়োক্তা লৈরি। হিরম অদুগী মতাংদা কয়ারক হন্না ৱারী শান্নখ্রে। ইরানগী দিল কায়খিবা অদু খ্বাইদগী শাথিবা অমনি হায়না দোনাল্ড ত্রম্পনা ঙসি হ্বাইট হাউসতা নেটান্যাহুগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ত্রম্পনা মখা তানা হায়, ইরানদা নৌনা সেঙ্কসন থমখিবসু লৈখ্রে। ইরাননা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শেমগৎনবা হোৎনবদা মখা তানা অথিংবা থমখিগনি। অমেরিকান সিক্যুরিটি ইজরেলদা হৌজিক হৌজিক থল্লি।

জেৱিস ষ্টেটশিংদা শীংনরকপশিং ঙাকথোক্লবগী চপ চাবা মতম অদু য়ৌরে। য়ু এস য়াওনা লৈবাক অনীনা মখা তানা ইরানগী থৌশিলগী মায়োক্তা লেপকনি। টেরোরিজম থেংনবগী মতাংদা শাংলবা মতম কয়াদগী মতেং পীনদুনা লাকখি। লোয়ননা মীওইবগী মমল খঙদবশিংগী মায়োক্তা থেংনরকখি।

অমেরিকা অমসুং ইজরেল মীওইবগী পুন্সিগী মমল লেপ্পনবা থবক পায়খৎলিবা লৈবাক অনীনি। মদুনা মরম ওইরগা ইরানননা ন্যুক্লিয়ার থৌশিল পায়খৎলকপদা অথিংবা পীবনি হায়রি।

সনা-সুদোকু- ৭৮৪ গী সোল্যুস

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 8 | 9 | 6 | 7 | 3 | 1 | 4 |
| 9 | 4 | 6 | 8 | 1 | 3 | 7 | 5 | 2 |
| 1 | 7 | 3 | 5 | 4 | 2 | 9 | 6 | 8 |
| 7 | 6 | 5 | 1 | 3 | 4 | 2 | 8 | 9 |
| 8 | 3 | 1 | 7 | 2 | 9 | 6 | 4 | 5 |
| 4 | 2 | 9 | 6 | 8 | 5 | 1 | 7 | 3 |
| 6 | 9 | 4 | 3 | 7 | 8 | 5 | 2 | 1 |
| 5 | 1 | 2 | 4 | 9 | 6 | 8 | 3 | 7 |
| 3 | 8 | 7 | 2 | 5 | 1 | 4 | 9 | 6 |

# ত্রিপল টলাক কেস কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা ৱারেপ লৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

নিকা হলালা অমসুং নুপী লোনবগী কেস অমসুং ত্রিপল টলাক সুপ্রিম কোর্টনা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চতা থাদরক্লবা য়াই। সেন্টরনা পীরকখিবা ইঙ্গিৎকী মতুং ইন্না কন্সটিট্যুসনগী হক অমসুং ধর্ম্মগা মরী লৈননা মুস্লিমশিংনা চৎনরিবা লোৎচৎশিং অদুগী ৱারেপ কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা লৌরগনি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম সেন্টরনা ৱাহং ৪ পুখৎলকখি। কন্সটিট্যুসননা পার্সোনেল লো অমসুং কষ্টমরি লোশিং চৎনহনবা য়াব্রা। কষ্টমরি লো চৎনরবদি ফন্দামেন্টেল রাইটসতা শীংনবা ওইদ্রিবরা।

চৎনবী কয়ানা ইন্দিয়াগী নুপীশিংগী হক মৎপা হায়বদু য়াব্রা। ইন্দিয়ানা নুপীশিংগী হক্কী মতাংদা থবক তৌরিবা ইন্টর্নেসনেল কনভেন্সনদা সাইন তৌখিবা লৈখ্রে।

চীফ জষ্টিস জে এস খেহরনা হায়, সেন্টরনা পুখৎলক্লিবা ৱাফম ৪ অদু কন্সটিট্যুসনগী ওইবা ইশু অমনি। মদু হেন্না চাওবা বেঞ্চ অমনা খন্নবা মথৌ তাই হায়খি।




কন্সটিট্যুসননা আইনগী মখাদা মীওই খুদিংমকপু চপ মান্নবা আইনগী মীৎয়েং থল্লি। অদুম ওইনমক মুস্লিমশিংগী ওইনদি পার্সোনেল লোশিং চৎনহন্দুনা চল্লাইহল্লি। অদুগুম্বা পার্সোনেল লো অদু ইং ১৯৪৭দা চৎনবা হৌখিবনি।

এন দি এ লৈঙাক্কী মতমদসু ত্রিপল টলাককী মতাংদা ৱায়েৎ কয়া পুখৎলকপা লৈখ্রবনি। মুস্লিম নুপাশিংনা নিয়ম চুমদনা টলাক হায়বা ৱাহৈ ৩ হায়দুনা নুপীশিং খাইনবগী থবক চথরি। মদু কন্সটিট্যুসননা পীবা নুপীশিংগী হক খোঙ্গাওনবনি। মদুতা নত্তনা অদুগুম্বা থৌশিল অদু ইস্লামগী মায়োক্তা লৈবা চৎনবী অমনি হায়রি।

নিকাহলালা হায়বসিনা নুপা অমনা ত্রিপল টলাককী মতুং নুপী কয়া লুহোংবা য়াবগী হক পীরি। নুপী অমগী মপুরোইবা লৈখিদ্রবা নৎত্রগা খাইনখ্রবা মতুং অমুক হন্না লুহোংবা য়াবগী চৎনবীসু লৈরি। ত্রিপল টলাককী কেস ৱারেপ লৌগদৌরিবা বেঞ্চ অদুদা জষ্টিস এন ভি রমানা অমসুং দি ভি চন্দ্রচুর য়াওরি হায়রি।

GAS TODAY

**MANIPUR GAS**
Booking upto .......14/10/2016
Valid from ........... 13/10/2016
Stk ......................306 (DBTL)
Timing........7.30 to 09.30 a.m

**HRANGCHAL GAS (Old Lambulane)**
Booking upto .......25/11/2016
Valid from ........... 23/11/2016
Stk ......................306 (DBTL)
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**MISAO GAS**
Booking upto .......09/11/2016
Valid from ........... 12/10/2016
Stk .................................306
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**K & K INDANE SERVICE**
Booking upto .......04/11/2016
Sl. No. Upto 250
Valid from ........... 28/10/2016
Stk .................................612
Timing........7.30 to 11.00 a.m
Peisa Achoiba Pubiraku

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking upto .......28/11/2016
Sl. No. 7520
Valid from ........... 26/11/2016
Stk .................................306
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**R & H INDANE**
Booking upto .......21/10/2016
Valid from ........... 07/10/2016
Stk .................................306
Timing........8.00 to 10.00 a.m

**IMPHAL LPG SERVICE**
Booking upto .......19/11/2016
Sl. No. Upto 43280
Valid from ........... 11/11/2016
Stk .................................306
Avail Commericial Connection

# বাগদাদতা কার বোম পোকখায়বদা মীওই ১৮ শীরে

*বাগদাদ, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ*

ইরাক্কী কোনুং বাগদাদকী খা থংবা শরুক্তা ঙসি পোকখায়বা য়াবা মচাক থন্না য়াওবা কার অমা পোকখায়হল্লকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শীখ্রে। অদুগা মীওই ৫০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে হায়না সিক্যুরিটিগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

পোকখায়বা য়াবা মচাক য়াওরবা কার অদু কার দিল্লরশিংনা শীজিন্নবা গেরেজ অমদা থমজিল্লমখিবনি হায়না হে-অল-সুরটাথিনা ফোঙদোরক্লি। লমদম অদুদা পোকখায়বগী থৌদোক কয়া মথং মথং থোকখিবা লৈখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতসু ত্রক বোম অমা সহর অদুগী মতাই সদর সিটিদা পোকখায়বদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শীখি। অদুগা ৫০ হেনবনা অশোক অপন নংখিবা লৈখ্রে।

ঙসি কার বোম অদুনা লমদম অদুদা লৈবা কার দিল্লরশিংগী গারী খাম্ফম ষ্ট্রিটফুলদা টার্গেট তৌদুনা এটেক্ট অদু চথরকখিবনি। ইং ২০১৪দগী হৌনা ইরাক্তা লাল থোকপা হৌরকঙৈদগী য়ু এসনা লুচিংবা কাংবুনা সুনি মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা অকনবা এটেক চথদুনা লাকখি। মদুগা লোয়ননা ইস্লামিক ষ্টেট ইরাক এন্দ সিরিয়ানা ইরাক্কী মফম কয়াদা খুৎ হনবা ওইনা বোম কয়া পোকখায়হনবগী থৌশিল চথরক্লি।

ইরাক্তা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা লৈবগা লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী মীশি মীনাগী থৌদোক থোক্লি। সিরিয়াগা তাইনবা ইরাক্কী শরুক কয়া মিলিটেন্টশিংনা হৌজিকসু খুম চন্দুনা লৈরি হায়রি।

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-783**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 8 | | 7 | | |
| | | | | 5 | 4 | | | 3 |
| 5 | | | | | 2 | 9 | | |
| | | | 4 | | | 2 | 3 | |
| | 9 | | 5 | | 6 | | 1 | |
| | | | | | 7 | | | |
| | | 2 | 1 | | 5 | | | |
| | 5 | 4 | | 7 | | | | |
| | | | 6 | 2 | | | 5 | 9 |